# জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ ঃ

জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএশন (জেদ এফ এ) না শিন্দুনা ঙসিদগী থাংমৈবন্দদা লৈবা থাওস্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ১০ শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অহৌবা মেচতা এস কেৱাই সি শওন্সুং অমসুং এন ৱাই সি নমথালোং অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবদা গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা এন ৱাই সি নমথালোংগী অদাম গাংমৈনা মেচকী অহানবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

এন ৱাই সি নমথালোংনা গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা এস কেৱাই সি শওন্সুংগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি। এস কে ৱাই সি শওন্সুংগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা ফংনা কন্না হোৎনরবসু মেচকী অহানবা হাফফাওবদা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

হাফ মতুংদা এস কে ৱাই সি শওন্সুংগী শান্নরোয়শিংনা হেন্না কোওর্দিনেশন লৈনা অমসুং য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচ অদুগী ৫৪ শুবা মিনিটতা কামৈ লনজাংনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মখা তানা টিম অমত্তনা অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ দ্রো ওইখি।

মেচ অদুদা এন ৱাই সি নমথালোংগী এন থেঙাই মেচকী ২০ শুবা মিনিটতা অদুগা জি বোবো মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা সেন্তর রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি। এস কে ৱাই সি শওন্সুংগী শান্নরোয় আর অঙৌস্না মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা অদুগা কামৈ গাইথুইলুংবু মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং অহানবা মেচ অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা কে এফ সি কৈশামথোং অমসুং এন ৱাই সি নমদুলোং অনীনা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা সি আর ৱাই সি চীংমৈরোং অমসুং পি ৱাই সি পন্তিলোং অনীনা শান্নরগনি। নুংথিলগী অহানবা মেচ পুং ১ তাবা মতমদা গুফা গাইপুইনাম অমসুং কে এফ এ কাখুলোংগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা আর ৱাই সি রগাইলোং অমসুং এল বি ৱাই সি লোংমাইগা শান্নরগনি।

# ৱিন্নরস কপ্তা ৱাই পি ও সোরা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ ঃ

ববিনা হেলথ ক্যের অমসুং হোস্পিটালিটি প্রাইভেট লিমিটেদকী স্পোন্সর মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা চথরিবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিএল ২১ শুবা ৱিন্নর্স কপ্তা দি এস এ ককচীংগী মহুৎ শিন্দুনা লাকখিবা ৱাই পি ও সোরা সেমী ফাইনেল চঙবা অহানবা টিম ওইখ্রে।

ঙসি সেনাপতিগী তুমুয়োন খুলেন হায়স্কুলগী গ্রাউন্দদা কে এফ সিগী হোম গ্রাউন্দ মেচ অদুদা ৱাই পি ও সোরানা কে এফ সি গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। সেমী ফাইনেল চঙখ্রবা ৱাই পি ও সোরানা সেমী ফাইনেলদা উখ্রুলগী ৱাই য়ু এফ সী, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি এম রাও, অৱাং সেকমাই অমসুং দি এস এ চুড়াচান্দপুরগী এ এফ সী হায়রিবা টিম অহুম অসিগী ৱিন্নর অদুগা থেংনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱাই পি ও সোরা অমসুং কে এফ সী অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নরকখিবনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক মেচ অদুগী থেঙ্খাং কয়াদা মায়কৈ অনীমক্কী গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনখি। অদুবু অহানবা হাফ ফাওবদা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা ৱাই পি ও সোরাগী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া তৌদুনা অকনবা মওংদা শান্নরকপনা কে এফ সীগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথরকখি। মেচ অদুগী ৬২ শুবা মিনিটতা ৱাই পি ও সোরাগী এম দি অলিখান্না গোল একাউন্ট হাংদোক্লুনা টিমদুগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেম্বা হৌখি।

গোল শোথরিবা কে এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরিঙৈ ইখঙ খঙহৌদনা মেচকী ৮৪ শুবা মিনিটতা ৱাই পি ও সোরাগী এম দি অলিখান্না মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ মায় পাকখি।

## মিষ্টর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশননা হৈরোক পার্ট টুদা লৈবা টি এস ফিটনেস সেন্তরগা খুৎশম্নদুনা ১৪ শুবা মিষ্টর থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০১৬ থা অসিগী ৬ তা টি এস ফিটনেসকী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোগী স্পোন্সর মখাদা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

## ইম্ফাল ইষ্ট সব জুনিয়র ফুটবোল টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ২০ শুবা সব জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা সব জুনিয়র ফুটবোল টিম শেমখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী টেক্নিকেল কম্মিটিনা প্রোবেবল ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিংদি গোল কিপরদা রোনাল্ডো, সানথান অমসুং এস বিদ্যাসাগরনি। দিফেন্দরদা এল লানঙম্বা, এম দি সাজিস চিষ্টি, এম দি সদাদ, হুইদ্রোম কেনান, লাইশ্রম মনিচন্দ্র অমসুং তেন্সুবম সিতলজিৎনি। মিদফিল্ডরদা পেবম কিরঞ্জিৎ, মোইরাংথেম ইরিকখোম্বা, এম দি অলটাব, কে দেবিদ, মিয়াজ অহম্মদ, এম দি ৱাজিদ, জামচিনহাও বাইতে অমসুং জহির খাননি। ফোরৱার্দতা থৌনাওজম জামসন, কে ঐচ ফারুক শাহা অমসুং এম দি কেফনি।

## ষ্টেট লেভেল হোকি টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৪ ঃ মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা থা অসিগী ৬ তগী নুপাগী টিম তরেৎ অমসুং নুপীগী টিম মঙানা শরুক য়াদুনা তরেৎশুবা অন্দর ১৬ মেন'স এন্দ ৱিমেন ষ্টেট লেভেল হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৬ খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথুবা হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসি মায় পাক্না পাঙথোক্লবগীদমক অম্পয়র অমসুং টেক্নিকেল ওফিসরশিং খনখ্রে।

খল্লবা অম্পয়রশিং অদুদি এন হেমচান্দ, পি রুপচন্দ্র, এম রিনাস, কে ঐচ ধনেশ্বর, এল রানাচন্দ্র, এম ব্রোসন, আর কে প্রিতম্বা, এম ইঙোচা, দব্লিয়ু চিত্র, এম সিতলজিৎ, এল সিতলজয়, এন ওকেন, এম প্রিয়োকুমার, কে ঐচ ধনঞ্জয়, সি ঐচ সকুন্তালা অমসুং এন জি প্রিয়ানি। টেক্নিকেল ওফিসিএলদা এন জি থাবালৈমা, পি ঐচ নিরমালা, এ অঙ্গিনা, এ সিবকুমার, কে ঐচ বিরেন অমসুং টি ঐচ সনাতোম্বীনি। খল্লবা অম্পায়র অমসুং টেক্নিকেল ওফিসিএলশিংনা সি ঐচ বালাদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –২৮

1. হেলম এৱার্দ ফংবা ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরোয় অদু কনানো?
2. কুমজা ১৯৮৩ দা ইন্দিয়ানা প্রুদেন্সিয়েল ৱর্ল্ড কপ লৌখি মদুদা ইন্দিয়াগী ভাইস কেপ্তেন কনানা ওইখি?
3. কুমজা ১৯৩৬ তা বার্লিন ওলেম্পিক্তা হোকিগী অম্পয়ার ওইখিবা ইন্দিয়া মচা অদু কনানো?
4. মোজাম্বিগতা পোকখিবা খ্বাইদগী ফাওখিবা ফুটবোল শান্নরোয় অদু কনানো?
5. মমিং চৎলবা হোকি শান্নরোয় অসি কনানো? ☞



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-২৭ কী পাউখুমশিং

(১) কার্ল মালোন (২) রোজর বানিষ্টর (৩) ধাকা
(৪) লিয়েন্দর পেস (৫) জাফর ইকবাল

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-২৭ কী পাউখুম মঙামক চুম্না পীবীরকখিবশিংদি

*(১) নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায়*
(২) তোংব্রম জিবোন সিংহ, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-২৭ কী ৱিন্নর

*নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায়*
(দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)

### খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

নবেম্বর ২০, ২০১৬ নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

# আই এস এল ঃ দেল্লি দাইনামোসনা কেরলা ব্লাষ্টরসবু মায়থীবা পীদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ০৪ ঃ

দেল্লি দাইনামোসনা মফম অসিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ মেচতা কেরলা ব্লাষ্টরবু ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী টেবলদা মকোক থোংবা মফমদা লৈখ্রে।

দেল্লি দাইনামোসকী গোলশিং অদু কিন লেৱিসনা মেচকী মিনিট ৪৪ চৎপা মতমদা অমসুং মার্সেলো পেরৈরানা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি।

মেচ মায় পাকখিবা অসিনা দেল্লি দাইনামোসনা অপূনবা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা টেবল ষ্টেন্দিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে। দেল্লি দাইনামোসনা মেচ ৮ শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকপা, মেচ মরি দ্রো চৎপা অমসুং মেচ অমনা মায়থীখি। কেরলা ব্লাষ্টরনা মেচ ৮ শান্নখিবদা মেচ অনী মায় পাকপা, মেচ অহুম দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অহুম্না মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ৯ ফংলগা তরুকশুবা মফমদা লৈখি।

অটলেটিকো দ কোলকটানা মেচ তরেৎ শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকপা, মেচ অহুম দ্রো চৎপা অমদি মেচ অমনা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ১২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি। অদুগা মুম্বাই সিটিনা মেচ নিপান শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকপা, মেচ অহুম দ্রো চৎখিবা অমদি মেচ অনীনা মায়থীদুনা অপূনবা পোইন্ট ১২ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। চেন্নায়িন এফ সিনা মেচ তরেৎতগী পোইন্ট ১০ ফংলগা মরিশুবা অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা মেচ তরেৎতগী পোইন্ট ১০ ফংদুনা মঙাশুবা মফমদা লৈরি।

দেল্লি দাইনামোস অমদি কেরলা ব্লাষ্টরসকী মেচ অদু হেক হৌখিবগা য়ূম্বু দেল্লি দাইনামোসনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। দেল্লি দাইনামোসনা য়ূম্বু ওইবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মায়োক্লখিবা টিমগী মায়োক্তা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি।

মখোয়না চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৪৪ চৎপা মতমদা কেরলা ব্লাষ্টরগী অশোয়বগী খুদোংচাবা লৌরগা কিন লেৱিসনা কাওশিনখিবা বোল অমা গোল ওন্থোকখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। দেল্লি দাইনামোসনা গোল চনখিবা ইকুই কুইদনা মিনিট ৫ গী মতুংদা মখোয়গী প্লেয়র মার্সেলো পেরৈরানা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা হেদ্দিং তৌশিনখিদুনা গোল অমগা চনশিনখি।

কেরলা ব্লাষ্টরগী গোল কিপর সন্দিপ নন্দিনা পেরৈরাগী বোল অদুবু সেফ তৌননবা হোৎনখ্রবসু অরেম্বদা তাহৌখি। মখা তানা টিম অনীমক্না অহেনবা অমদি ইক্বেলাইজ তৌগদবা গোল চন্নবগীদমক হোৎনরকখ্রবসু মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদবদগী দেল্লি দাইনামোসকী মখূৎতা কেরলা ব্লাষ্টরসনা মায়থীহৌখি।














